# কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎকী মরক্তা রসিয়াগী য়েকাটেরিনবর্গতা কেন্দিদেটস চেছ টুর্নামেন্টগী ৫শুবা রাউন্দ লোইশিনখ্রে




য়েকাটেরেনবর্গ, মার্চ২২(এজেন্সী): মালেমদা লৈবাক ১৮৮ শীনবা থুংনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওই ৩,১৮,৬৫০ হেন্না নাহল্লবা মতুং মীওই ১৩,৩৭৬ শীহনখ্রবদা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টসকী টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোকপা অমদি তোকখিবগী মরক অসিদা চেছ মশান্নগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কেন্দিদেটস টুর্নামেন্ট ২০২০ রসিয়াগী য়েকাটেরিনবর্গ সিটিদা থা অসিগী ১৭তগী হৌরগা ঙসি ৫শুবা রাউন্দ মপুং ফানা লোইশিনখ্রে।

লৈবাক ৫দগী শান্নরোয় ৮না শরুক য়াদুনা এপ্রিল ৪ ফাওবা চথুগদৌরিবা দবল রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন অদুনা হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা নোরৱেগী গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কার্লসনবু টাইটলগীদমক চেলেজ তৌবা ঙমগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি ইন্টর্নেসনল চেছ ফেদরেসননা শীন্দুনা মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ৮না রসিয়াগী কোনুং মোস্কোদগী কিলোমিটর ১৪০০ থাপ্না লৈবা য়েকাটেরিনবর্গ সিটিদা থা অসিগী ১৭তগী পাঙথোকপা হৌখিবনি।

পনবা য়াবদি ঙসি ফাওবদা রসিয়াদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ৩৬৭ নাহনখ্রবনি। অদুবু লৈবাক অসিদা শুপ্নগী মীওই অমখক লায়না অসিনা শীহল্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজরনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা শান্নফমদা ভাবোক অমত্তা চঙহনখিদে। লোয়ননা মশান্না অসিগী চৎনবী ওইনা শান্নবা হৌদ্রিঙৈ অমসুং খুৎ শোক্নবগী চৎনবী অদু তৌদ্রবসু য়াই হায়না খঙহনখি। লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা শান্নগদবা টেবল অদু হেন্দ সেনিটাইজর বোট্টলশিং খিন্দুনা থমখি।

টুর্নামেন্ট অসি রসিয়া লৈঙাক্কী ওফিসল অমা ওইরম্বা অর্কাদে বোরকোবিসনা পাঙথোকপা য়াগনি হায়বগী অয়াবা পীরকপদগী ইন্টর্নেসল চেছ ফেদরেসননা চথখিবনি হায়রি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা রাউন্দদা যুম্বু লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় ইয়ান নেপোমনিয়াটচিনা চাইনাগী ৱাং হোবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা শান্নরোয় ৮গী লম্বা অদুদা মকোক থোংদনা লৈরি।

ইয়ন নেপোমনিয়াচিনা ঙসি ৱাং হোগা শান্নখিবা মেচ অদুদা অঙৌবা মচু পায়দুনা এটেক চথুরকখিবদা রাউন্দ অদুগী ৪৩ শুবা মুভতা ৱাং হো রিজাইন তৌখিবদগী নেপোমনিয়াচিনা পোইন্ট ১ ফংলগা পুন্না পোইন্ট ৩.৫ ফংখি।

নেপোমনিয়াচিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি মেচ অসিগী মাংওইননা মেচ ১ থোইরগা ৩ মায় পাক্লগা পোইন্ট ২.৫ ফংলম্বনি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা নেদর্লেন্দসকী অনিস গিরিবু মায়থীবা পীখি। অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর গ্রিচুক্কা দ্রো চৎখি। অহুমশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় কিরিল এলিকসিনকোগা দ্রো চৎলবামতুং মরিশুবা রাউন্দদসু যুএস এগী শান্নরোয় ফাবিয়ানো করাওনাগা দ্রো চৎখি।

ঙসি মহাক্কী লম্বা ওইকিবা ৱাং হোসু মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় দিং রেনবু মায়থীবা পীবা ঙমখি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা নেদর্লেন্দসকী অনিস গিরিগা দ্রো চৎখি। অহুমশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী অলেকজেন্দর গ্রিচুক্কা দ্রো চৎলবা মতুং ৩শুবা রাউন্দদা রসিয়াগী কিরিল অলিকসিনকোগা দ্রো চৎখ।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচশিংদা যু এস এগী করাওনা অমসুং নেদর্লেন্দসকী অনিসগিরি মুভ ৫৯ শান্নরগা দ্রো চৎখি। চাইনাগী শান্নরোয় দিং লিরেননা রসিয়াগী অলেকজেন্দর গ্রিচুক্কা মুভ ৫৪দা দ্রো চৎপদা য়ান্নখি। লোয়ননা ফ্রান্সী মেক্সিম লাগ্রেব অমসুং রসিয়াগী কিরিল অলিকসিনকোগা শান্নবা অদু দ্রো ৪৪দা য়ান্নখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী রাউন্দ ৫ লোইশিল্লকপদা রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। অনীশুবদা ফ্রান্সকী মেক্সিম ভাসিয়র লাগ্রেবনা পোইন্ট ৩ ফংলগা লৈরি। পোইন্ট ২.৫ ফংলগা শান্নরোয় ৩ যু এস এগী ফাবিয়ানো করোনা, চাইনাগী ৱাং হো অমসুং রসিয়াগী অলেকজেন্দর গ্রিচুক লৈরি। লোয়ননা পোইন্ট ২ ফংলগা অতোপ্পা শান্নরোয় ৩ চাইনাগী দিং লিরেন, নেদর্লেন্দসকী অনিস গিরি অমসুং রসিয়াগী কিরিল এলেকসিনকো লৈমিন্নরি।

হয়েং ৬শুবা রাউন্দদা মকোক থোংলিবা রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা চাইনাগী দিং লিরেনগা থেংনগনি। ফ্রান্সকী মেক্সিম ভাসিয়র লাগ্রেবনা চাইনাগী ৱাং হোগা থেংনগনি। যু এস এগী ফাবিয়ানো করোনানা রসিয়াগী অলেকজেন্দর গ্রিচুক্কা থেংনরগা নেদলের্ন্দসকী অনিস গিরিনা রসিয়াগী কিরিল অলেকসিনকোগা শান্নগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৫

১) মহাক ২০শুবা সেঞ্চুরিগী অহানবা শরুক্কী ওইনদি খ্বাইদগী ফবা এথলেটনি হায়না খঙনখি। মহাক কনানো?

২) মালেমগী করম্বা মফমদা SENIOR CROSS COUNTRY RACE অসি অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবগে?

৩) ওলিম্পিক্কী চেরিওট লমজেলদা খৃষ্ট মমাং ৪৬৮তা মায় পাকখিবা নুপা অদু কনানো?

৪) খুমনগী চুম্বারোঙগা চায়নখিবা অকনবা মোইরাং মচা অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## বরোদা ৱিমেন্স ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ সেক্স্যুএল হরাসমেন্টকী মতাংদা সস্পেন্দ তৌখ্রে



বরোদা, মার্চ ২২(এজেন্সী): মমাঙদা ইন্দিয়াগী বেটচমেন অমা ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্কা বরোদা ৱিমেন্স ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইরিবা অটুল বেদাদে মহাক্কী মথক্তা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট, লমচৎ ফজদবা অমদি মীয়াম মমাঙদা শান্নরোয়শিংদা চৈবগী কমপ্লেনশিংগা মরী লৈননা বরোদা ক্রিকেট এসোসিএসননা মহাকপু খুদক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

হৌখিবা থাদা হিমাচল প্রদেশতা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অমদা বেদাদেগী মায়োক্তা সিনিয়র শান্নরোয়শিংনা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগা সেক্স্যুএল হরাস তৌই। ৱাহে ৱাতা ফজদবা অমদি মীয়াম মমাঙদা শান্নরোয়শিংগী মথক্তা চৈ থাংবা য়াওই হায়বগী কমপ্লেন থাঙ্গৎখিবনি।

মশাগী চহী ৫৩ শুরবা বেদাদেনা ইন্দিয়াগী ওইনা ৱান দে ইন্টর্নেসনল মেচ ১৩দা শান্নবা ঙমখিবনি। মহাক্না কুমজা ২০১৯দা বরোদা ৱিমেন্স ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুখি। মদুদগী হৌদুনা শান্নরোয়শিংগী মথক্তা পামদবা মওংদা শাজৎ-লিচৎ চৎপা কয়া থেংনখি হায়না কমপ্লেন অদুদা য়াওরি। বি সি এগী সেক্রেটরী অজিৎ লেলেনা মহাক্কী সস্পেন্সন অদু কনফর্ম তৌখি।

## আই পি এল টি-২০ পাঙথোক্ত্রবদি টি-২০ ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবা শান্নরোয় ৩দি ধোনি, সামসন অমসুং দুবেনি









ন্যু দিল্লি, মার্চ ২২(এজেন্সী): কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরদুনা মালেম শীনবা থুংদা অকনবা মওংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকসিদা লৈরিবা ক্রিকেট বোর্দশিংনা মশান্না অসিগী তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্ট অমদি থবক থৌরমশিং লেপ্পুনা থল্লি। করিগুম্বা মালেমগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা টি-২০ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ পাঙথোক্তবা তারবদি ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবা ফংলোইদৌবগী মমি উরিবা শান্নরোয় ৩ অদুদি হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি, সঞ্জু সামসন অমসুং সিবম দুবেনি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্ত্রবদি ওষ্ট্রেলিয়াগী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম শেম্বদা অচৌবা অহোবা অমা লৈগদৌরিবনি। মমাঙদা মতম শাংনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইবগী থৌদাং লৌরম্লবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি ইন্টর্নেসনল মেচ শান্নদবা থা ৮ শুরক্লবনি। মহাক্না টেষ্ট মেচতগী পোথাখ্রবা মতুং টি-২০ অমসুং ৱান দে মেচতি পোথদ্রিবনি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা মহাক শরুক য়াবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বগী অচৌবা ৱাহং অমা লাক্লি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি হান্না লেপখিবা মতম অদুদা পাঙথোকপা তারবদি হৌজিক শান্নদনা লৈরিবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিসু মহাক্কী মশান্নগী ফোম তারিব্রা হায়বদু উখোকপা ঙমগদৌরিবনি। মদুগী মতুং ইন্না বি সী সী আইগী সেলেক্সন কম্মিতিনা মহাকপু টিমদা খনবা নত্রগা খন্দবগী ৱারেপ অদু লৌগদৌরিবনি।

ৱিকেট কিপ্পর বেটচমেন অমা ওইবগী থৌদাং অদু নহা ওইরিবা কে এল রাহুল অমদি রিসব পন্টনা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওরিবা মরম্না ধোনিগী মহুৎ শীন্নবা মখোয় অনী লেংদনা লৈরি।

অমরোমদা, কেরলাদগী হৌখিবা ৱিকেট কিপ্পর বেটচম অমা ওইনা শান্নরিবা সঞ্জু সেমসনসু করিগুম্বা আই পি এল টি-২০ পাঙথোক্ত্রবদি মহাক্কী পর্ফোমেন্স খঙদবা মরম্না ৱর্ল্ড কপ্তা মহাক্কী মফম লৈরোইদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, মশাগী চহী ২৫শুরবা সঞ্জু সেমসন ন্যু জিলেন্দগা ইন্দিয়াগা শান্নখিবা সেরিজতা টি-২০গী স্কৱাদতা য়াওখি। মহাক মেচ ২ শান্নবদা শুপ্নগী রন ১০ লৌদুনা ফজবা ঙমখিদবনি।

অমরোমদা, মুম্বাইগী ওল রাউন্দর সিবম দুবে রঞ্জি ট্রোফিগী গেম অমদা থংনা থংননা সিক্স ৫ য়ৈদুনা হৌখিবা চহীগী নবেম্বর থাদা ইন্দিয়াগী টিম-২০ টিমদা শরুক য়াদুনা বংলাদেশকা শান্নবদা পর্ফোমেন্স ফজবা ঙমখিদে। অমরোমদা মশা শোক্তুনা লৈরিবা ওল রাউন্দর হর্দিক পন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা ন্যু জিলেন্দগী সেরিজ অদুদা শরুক য়াখিবদা দুবেগী মায়কৈদগী বেট্টিং অমসুং বোল্লিংগী লম অনীমক্তা ফজবা ঙমখিদে। মরক অসিদা হর্দিক পান্দিয়া ফিট ওইরকপদগী করিগুম্বা আই পি এল টি-২০ পাঙথোক্ত্রবদি সিবম দুবেসু ওষ্ট্রেলিয়াগী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ শরুক য়াবদা অচৌবা ৱাহং অমা লাক্লি।

## মণিপুর মচা থোংখোসিয়ম হাওকিপ বেঙ্গলুরু এফ সীগা মখা তানা চহী অমগী কন্ট্রেক্ট খুৎয়েক পীনখ্রে




বেঙ্গলুরু, মার্চ ২২(এজেন্সী): মণিপুরদগী হৌখিবা থোংখোসিয়ম হাওকিপ (সেম্বোই হাওকিপ) ঙসি বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা মহাক ক্লব অসিগা মখা তানা চহী অমগী কনট্রেক্ট খুৎয়েক পীনখ্রে হায়রি।

সেম্বোই হাওকিপ্না বেঙ্গলুরু এফ সীগী ওইনা অরোইবা মেচ অদু চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাগী ৩শুবা চয়োলদা হিরো ইন্দিয়ন সুপিল লীগকী মেচ অমদা এ টি কেগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখিবা মেচ অদুনা মহাক্কী অরোইবা মেচ ওইখি।

হায়রিবা মেচ অদুদা সম্বোই হাওকিপ হেমষ্ট্রিং ইঞ্জুরি অমা লৈখিবদগী মহাক্কী মহুৎতা নিলি ফ্রান্সিকোনা শীনখি।

হাওকিপনা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ সিজন ২০১৯-২০গী ওইনা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মেচ ১৪ শান্নবদা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। হায়রিবা পাঞ্জল অদু টিম অদুনা চেন্নাইন এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখিবা লীগ মেচ অমদা ওইখি।

মশাগী চহী ২৭শুরবা সেম্বোই হাওকিপ্না প্রোফেস্নেল ফুটবোল করিয়র অদ আই লীগকী টিম অমা ওইখিবা হৌজিক্কা শরুক য়াদ্রবা পুনে এফ সীদা কুমজা ২০১৩দা হৌরকখি।

মদুগী মতুং এফ সী গোৱা অমসুং সলগাওকর ফুটবোল ক্লবতা লোন ওইনা মতম খরা শান্নরবা মতুং কুমজা ২০১৬তা কেরলা ব্লাষ্টর্সতা শরুক য়াখি। চহী ২গী মতুং কুমজা ২০১৬-১৭ সিজনগী ওইনা ইষ্ট বেঙ্গলদা শরুক য়াখি। মদুগী মতুং ২০১৭তা বেঙ্গলুরু এফ সীদা শরুক য়াখিবনি।

সেম্বোই হাওকিপনা বেঙ্গলুরু এফ সীনা শরুক য়ারবা মতুং পুন্না মেচ ১৯ শান্নখিবা পুন্না গোল ৬ চনবা ঙমখি। টিম অসিগী ওইনা এ এফ সী কপ ক্বালিফায়রগী মেচ অমদা ভুটানগী পারো এফ সীগা শান্নবদা হেট্রিক চনবতা নত্তনা পাঞ্জল ৪ শুহনখি।

বেঙ্গলুরু এফ সীগী পুৱারীদা শুপ্নগী মেচ অমদা পুন্না শান্নরোয় অমনা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙম্বা অসি সেম্বোই হাওকিপ মথন্তা ঙাইরি। মসিদসু নত্তনা আই লীগ, ইন্দিয়ন সুপর লীগ অমসুং এ এফ সী কপ্তা হেট্রিক ফংবা ইন্দিয়াগী আনবা শান্নরোয় ওইরি।

হাওকিপ্না বেঙ্গলুরু এফ সীগা নৌনা চহী অমগী কনট্রেক্ট খুৎয়েক পীনখ্রবা মতুং মথংগী আই এস এল সীজনগী লোইরমদাই ফাওবা প্লে ফংলোইদৌবগী ফিভমদা লৈরি। মহাক হেমষ্ট্রিংনা মরম ওইদুনা শান্নবা ঙম্লোইদৌরিবনি। অদুবু বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী চুকচেল চাওবা অমদি প্রোফেস্নেলিজমগী মায়কৈদা মহাকপু মেচ শান্নবা ঙমদ্রিবা ফাওবা য়েংশিনগদৌরি।

*টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০*

## ইন্দিয়াগী এথলেট খরনা থেংথবা পাম্লি, খরনা ৱারেপ লৌবা ঙনমল্লি হায়রি





ন্যু দিল্লি, মার্চ ২২(এজেন্সী): চহীসিগী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা জপাননা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০ চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী শন্দোরকখিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোকপা নত্রগা তোকপগী ৱাফম য়ৌনরকপা অসিদা ইন্দিয়াগী এথলেট খরনা থেংথনা পাঙথোকহনবা পাম্লি। অদুগা খরা অমনা ৱারেপ লৌবগী মতম চাদ্রি হায়না ফোঙদোক্লুরক্লি।

ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিস মশান্নগী ওইনা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা সরথ কমালনা ফোঙদোরকপদা শান্নরোয় অমা ওইনা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকহনবা পাম্মী অদুবু হৌজিক কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯)না শোকহনবা লৈবাক মশিং অসি নোংমা-নোংমগী হেনগৎলকপগা মরী লৈননা শীনবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। লোয়ননা ওলিম্পিক গেমসতা মীওই লিশিং কয়া পুন্না লৈমিন্নগদবা মরম্না শান্নরোয়শিংদা অচৌবা রিস্ক অমা পীবা ওইনা থোক্কনি হায়খি।

টেন্নিস মশান্নগী মমিং লৈরবা মহেস ভুবতিনা ফোঙদোরকপদা ট্রেনিংগী খুদোংচাবা পুম্নমক থিংজিনখিবদগী ওলিম্পিক গেমস অসি চহী অমা য়ৈথোকপনা পুম্নমক্কী অফবা ওইগনি হায়বগী মহাক্কী ওইবা অনীংবা ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী নম্বর টেবল টেন্নিস শান্নরোয় সাথিয়ান গুনেসেখরন অমসুং নুপী শুটর মনুভাকরনা ফোঙদোরকখিবদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ওলিম্পিক গেমস থেংথবা নত্রগা য়ৈথোকপগী খোঙথাং অসি হৌজিক হৌজিক ৱারেপ লৌবগী মতম ওইদ্রি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ১৮শুবদা ঙাইরিবা বাকরনা হৌজিক হৌজিক ন্যু দিল্লিদা লৈবা ট্রেনিং সেন্টরদা অকন্নবা মওংদা ট্রেনিং চথরি। অমরোমদা সাথিয়ান গনসেখরনসু মহাক্কী মায়কৈদগী ট্রেনিংগী খুদোংচাবা ফংলিবা অদু মপুং ফানা লৌখৎলি। লোয়ননা ওলিম্পিক্স য়ৈথোকপগী ৱারেপ হাথু হাথু লৌবা পামদে হায়খি।

## ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেনচেষ্টর সিটি অমসুং মেনচেষ্টর য়ুনাইদেটনা পুন্না কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবশিংবু মতেং পাঙলি

লন্দন, মার্চ ২২(এজেন্সী): মালেমদা মীওই লাখ ৩ হেনবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা শোকহল্লবা মতুং মীওই লিশিং ১৩ হেনবদা শীহনখ্রবদা ইংলেন্দদা মীওই ৫,০১৮ শোকহল্লবা মতুং মীওই ২৪৪ শীহন্দুনা অৱাবা নংলিবা অসিদা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব মেনচেষ্টর সিটি অমসুং মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদ পুন্না খুৎশম্নদুনা লোকেল ফুদ বেঙ্কশিং অদু মতেং পাঙবা ওইনা বৃটিস পাউন্দ ১০০,০০০ (যু এস দোল্লর ১১৭,০০০) দোনেট তৌদুনা মতেং পাঙখ্রে।

ক্লব অনী অসিগী ভাবোকশিংনা লৌখৎলগা শেমখিবা সপোর্ট নেটৱার্ক অমা ওইরিবা ট্রুসেল ট্রষ্টকী ফুদ বেঙ্ক ১২০০দা মতেং পীননবা ক্লব অনী অসিনা বৃটিস পাউন্দ ৫০/৫০ দোনেট তৌখি। থাংজ নুমিৎতা ক্লব অনীগী অপুনবা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপদা ক্লবশিং অসিবু নুংশিবা ভাবোকশিংনা লৌখৎলিবা লোকেল ফুদ বেঙ্কশিং মতেং পাঙবগী থবক থৌরমশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা শোকহল্লবশিংগী মতেং ওইননবা খুদোংচাবা ফংবা অসি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়খি।

মীয়াম্না অৱাবা থেংনরিবা মতম অসিদা ক্লব অনীনা মখোয় মখোয়গী ভাবোকশিংগা খুৎশম্নদুনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা শোকহল্লবা কাংলুপশিং অদুদা মতেং পাঙননবা অপুনবা খোঙথাং লৌখৎলকপনি হায়খি।

মমাঙদা মেচ শান্নবা মতমদা ক্লবশিংনা ফুদ দোনেসন তৌখিবা অদু হৌজিক্তি কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯)না মরম ওইরগা এপ্রিল থাবা ফাওবা মেচ অমত্তা শান্নবা য়াদনা লৈরিবা মনুং অসিদা মতেং ওইনা দোনেসন অসি তৌখিবনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা প্রেমিয়র ক্লব অমা ওইরিব এষ্টোন ভিলানা চেলসিগা শান্নগবা মেচ অদু য়ৈথোকখিবদগী নুমিৎ অদুগী ওইনা শীনখিবা লঞ্চ বোক্স পেকেট ১০০০ ময়ুম লৈজদবশিংগী মতেং পাঙলীবা ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মফম পুথোক্লিবা য়ুনিটশিংদা য়েম্থোকখি।

ন্যু কাষ্টল ফুটবোল ক্লবনা হৌখিবা চয়োলদা য়ৈথোকখিবা মেচ অমগীদমক শীনখিবা চানবগী পোৎলমশিং ফুদ বেঙ্কতা দোনেট তৌখি। মদুদা পাই ১২০০ অমসুং শা মচেৎ মখল কয়া অমসু য়াওখি।

চেলসি ফুটবোল ক্লবনা মখোয়গী ষ্টামফোর্দ ব্রিজদা লৈবা হোটেল অদু মেদিকেল ষ্টাফশিংনা শীজিন্নবা পীথোকখি।